ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওক্টোবর ০৭, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৮৭ শুবা মশীং

# গাড়ী হুরানবা কাঙবু

## *পুলিসকী স্পেসল সেল অমা শেমগৎপা কান্নগনি*

***মীওইবগী*** পুন্সি মহিংগা মরী লৈননা লৈবাক অমদা তোঙান-তোঙানবা মখল-মখা কয়াগী ক্রাইম কয়ামরুম থোকই। মণিপুরদা ঙল্লিঙৈ মতমদা শগুন তৌবা, ষণ হুরানবা, সাইকল হুরানবা, সাইকল লাকপনচিংবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোকই। থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরল্লিবা মীওই কয়াগী মরমদা থিগৎপদা হুরানবনা মখোয়গী শিনফম ওইরম্বা মীসু য়াওই। অদুগা পাম্বে লৈতবদগী হুরানবগী থবক তৌবা কয়ামরুমসু য়াওরম্মী। মতম অদুগী হুরানবশিংনা মরু ওইনা হুরান্নরিবসি সাইকলনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মতমদুদা মণিপুরদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা সাইকল শিজিন্নে অমসুং তঙাই ফদবা পোৎলম ওই। হৌজিক্তি সাইকল হুরানবগী মতমসু লোইখ্রে। সাইকল তোংলগা থবক চৎপা মীগী মশিংসু পংয়াম য়ামদ্রে। ইম্ফালগী অনকপা অমসুং অরাপ্পা মফম পুন্নমক্তা হৌজিক্তি ইঞ্জিন পানবা গাড়ী ঙাক্তনা চখোক-চৎশিনগী পাম্বে ওইনরে। মরম অদুনা সাইকল হুরানবনা শিনফম ওইরম্বশিং হৌজিক্তি ইঞ্জিন পানবা গাড়ী হুরাল্লকপা হায়বসি ওইথোকপা য়াদবা ওইদ্রে। মসিননি মণিপুরগী মরু ওইবা মফম কয়াদা ঙাইহাক লৈতনা গাড়ী মাংবগী ৱাথোকশিং লাক্লিবসি। ষ্টেট অসিদা কনানা করিগীদমক গাড়ী হুরানবগী থবক তৌরকপনো হায়বসিগী তোঙান-তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। মরমশিং অদুগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাননবা শেল লৈতবদগী হুরানবা ওইরকপা, হুরান্দুনা শিনফম ওইরুবা অমসুং শূদনা নুংঙাইনা শেল তানবা পাম্বা কাঙবু ময়াম অমা থোরকপনি। হায়রিবা গাড়ী হুরানবগী থবক তৌবশিং অসি মখোয় মশেল খঙন-চান্নবদৌনা তৌই। কনা কনানা ইম্ফাল ময়োলদা গাড়ী হুরানবগী থবক তৌই অমদি মখোয়না হুরাল্লকপা গাড়ীশিং কদায়ৱাইদা লোৎলগা থল্লম্বা য়াই হায়বসু মখোয় মশেল অদুমক খঙনৈ। মরম অদুনা হুরানবশিং অসি লাকশিনগে হায়না পুলিসনা চপ চাবা থবক অমা হেক তৌরকপদা মায়থীনিংঙাই মরম লৈতে হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি।

হৌজিক্কী মতমদা তঙাই ফদবা পোৎলম অমা ওইনা কাংখোং অনীগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী শিজিন্নবা মীগী মশিং য়ামখৎলক্লে। মখোয়না শিজিন্নরিবা স্কুটর, মোটোর সাইকল নৎত্রগা কাংখোং মরিগী গাড়ীশিং অদু খুদক্তা হেক্তা লৈবা ঙম্বা মীগী মশিংদি পংয়াম য়ামদে। গাড়ী অমা লৈননবা হোৎনবদা মরূপ য়াওবা নৎত্রগা লোন লৌবনা অয়াম্বনি। অসুম্না য়াম্না ৱানা লৈরিবা গাড়ীবু কনাগুম্বা অমনা হুরানবীখিবা হায়বসি গাড়ী মপু অদুদদি খাঙমদবা চৈনা কয়ামরুম ফংই। অমুক হন্না লৈননবগী পাম্বেসু লৈতবা মীওইদদি কা হেন্না থম্মোয় শোকই। অসিগুম্বা মীওই মশিং নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকপনা মফম অমদা গাড়ী হুরানবনি হায়না ফারবা মীওই অমা লোগী চৈরাক ফংজসনু হায়বা মীগী মশিং য়াল্লক্তে। হেক ফংবা মফমদা অপায়বা অমনা থোমদুনা মখোয়-মখোয়গী থম্মোয়গী মৈচাক ঈংহন্নবা হোৎনরকই। ইম্ফাল ময়োলদগী মাংখিবা গাড়ীশিং অসি অয়াম্বা মতমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট নৎত্রগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট তানা পুই। মাংখিবা গাড়ীগী খোঙ্গুল লিবদা অনৌবা গাড়ী অমা লৈবদৌনা শেল তিংই। অমরোমদা পুলিসনা হুরানবশিং অদুগী মরী মখোঙ চপ চানা খঙলবসু থবক তৌনিংদে। হেক হায়রুরগনা মফমদুদা চঙবা হায়বসি খুদোংথীনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকই। ষ্টেট অসিদা গাড়ী হুরানবশিংগী মনুংদা পাঙল য়াম্না য়াওই। করিগুম্বা মতমদা গাড়ী হুরানবগী থৌদোক ৱাথোক্লা মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা কাঙলুপ নাইবগী ঈরাং ফাওবা শাগৎনরকপা য়াওই। মসিনা তাক্লিবদি অসিগুম্বা মখলগী হুরান-চিন্থি অসিনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লকই। মরম অদুনা পুলিসনা গাড়ী হুরানবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতবা অমসুং ষনিংহনবগী মতৌদৌনা মথৌদা থৌশাদবা য়াওরিবসি অফবা নত্তে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি সী সী টি ভি কেমেরানা গাড়ী হুরানবশিংগী মশক নিংথিজনা উহনবা ঙম্লবসু মীয়াম অমদি পুলিসনা হুরানবশিং অদু ফাননবা মতেং পাংদ্রি। সী সী টি ভিদা মীওই অমনা গাড়ী হুরানবা উরবসু মীওই অদু লৈকায় অসিদগীনি হায়বা ফাওবা কনামত্তনা হায়নিংদবদৌনা তৌই। মরম ময়াম অসি য়েংলগা পুলিসকী অখন্নবা সেল অমা থম্লগা সেল অদুগী মখাদা পুলিস পার্সনেল ১০/২০ দং মথৌ তৌহল্লগদি গাড়ী হুরানবশিং ফাগৎপা ঙমগনি অমসুং থোকহৈদবা থৌদোকশিং থোকহন্দবদা মতেং পাংগনি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# মীওইবনা মশা মশাগী মগুণ অমসুং মথৌ খঙহন্নিংই


*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক-হৌজিক** মালেমদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি কনা-কনানা মতিক মগুণ লৈনা থোকহনবনো? মগুণ লৈরবা পাউচে পাদবগীরা? পাউচে পারগা অচুম অরান খঙদোল্লগা ফজনা চৎপা ঙমদবগীরা? কিবগীরা? মগুণ লৈরবা দিক্সনারিদা য়েংলগদি মালেমগী তশেংবা মিংশেলসি পাউচেনি। মালেমদা লৈরিবা পুন্নমক্তগী অথোইবা ৱাখল খনবা ঙম্বা থৱায় পানবসি মীওইবনি হায়নরিবনি। অদুবু মীওইবা ঐখোয়সি মালেম ইমাগী তম্পাক্তা লৈরি হায়বসি ইকাউ কাউনবগুম উরে। মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী মিংশেল য়েংদুনা চন্দন থিনবা, ফিরোল শেৎলবা মতুংদা য়ারে খঙলগা থবক চৎনবা ঙাক্তনি। অদুবু মীওই পুন্নমক্লা অসিগুম্বা পাউচে খোইরাংনা পানিংদ্রিবা করিগীনো? ফজনা পানিংবসু ময়াম লৈরমগনি, অতোপ্পা পুন্নমকসু লোয়না পাহঞ্জন্নীংই। শোয়রে খঙলবা পোৎতু ইশানা চুমথোকপা ঙমদবরা? মীওইবা খুদিংমক শিনফম অমমমদি অদুম তৌনরি। অদুবু শিনফমশিং অদুগী মতিক মগুণ লৈবা মথৌদি পঞ্জখ্রিবা দিক্সনারিশিংদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি। ফজনা খঙবসু য়াওরমগনি, ফজনা খঙদবসু য়াওরমগনি। ফজনা খঙলবসু পৈশা পায়রগা লোইরে হায়বরোমদা চৎনবগুম তৌই। পুন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না লুবদি ওজাগী শিনফমনি। মগুণ লৈরবা ওজানা মীওইববু শেম্লিবনি। অদুবু হৌজিক্কী মালেমসিদা লৈরিবা মগুণ চপ চানা লৈরবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিংদি কদায়দা চৎখ্রে? থিমিন্নরসি, নুংশিমিন্নরসি, চাওখৎমিন্নরসি, নুংঙাই য়াইফবা পুরকমিন্নরসি। পুন্নমকসি য়ানিংদবা মীওই খুদিংমক লাইনা ৱায়েলগনি থাজবীয়ু।

*অদোমগী - সলাম সঞ্জোয় সিংহ*
*নিংথৌখোং*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫**

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) ঈবা (খ) উনবী।
২। 'ক্লাক্কী মচা ক্লাক, উরোক্কী মচা উরোক' ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৩। 'নঙ অমসুং ঐ' শৈরেংগী লাইরিক্তুগী অইবীদু কনানো?
৪। 'খুনুশিংগী লাঞ্জেল' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# জিরি লম্বী ফজনা শেমদবা- কোংগ্রেসনরা নৎত্রগা বি জে পিনরা?

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**



**মণিপুরদদি** ঙসি ঙসিমক ফোঙ-ফোঙ শারিবা ৱাফম কয়ামুক লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ৱাফম অমখক্তং পনবা তারবদি ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী য়াম্না শাথিনা ফত্তবা অসিনি। নেসনল হায়ৱে হায়বগী ৱানি মদুগী থাক্তা লৈবা লম্বী ওইদ্রে হায়বসিমদি চুম্লে। লম্বী অসিগী মতেক খরদি খুঙ্গংগী লম্বীদগীসু কা হেন্না ফত্তে। শম্না হায়রবদা অশাংবা খোঙ অমগুম্না লৈরি নোংজু থাগী মতমদদি। মসিগী মতাংদা খুদম অমখক্তং পীজবা তারবদি সগোলবন্দা লৈরিবা হিয়াং তান্নফম থাঙ্গপাৎ অমদি নহাবমদা লৈরিবা থাঙ্গপাৎতা গাড়ী থৌবগুম্বনি। অমরোমদা অমুক হায়বা য়াই মদুদি লৈশাং হিদেনদা গাড়ী থৌবগুম্বনি। জিরি লম্বী অসিদি 'নেসনল' হায়বা ফজখ্রবা ৱাহন্থোক অদু য়াওদ্রে হৌজিক লৈরিবা ফীভম শোল্লবা মওং অসিদদি। ঙসিগী চাওখৎলবা ইন্টরনেটকী অয়৩বী থাক অসিদা জিরি লম্বী ফত্তবগী চিংথোক-চিংথোক্তুনা মালেমগী মীয়াম খঙনবা ঙাঙনবসিদি ইবু ইকায়জরে। শেমগে শেম্মু, শেম্মোই তোকউ ঙাঙনদবনবু লেম্লনি খল্লি। করিবু হায়জ-শারিনো অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু। খাংবমখৈ খাংদুনা লাক্লে ত্রেন লাকপা ঙাইরগা লোইরে। কুইসু কুইদ্রবসিবু ত্রেন য়ৌরক্কদবা।

১১ শুবা এসেমব্লিগী মীখল ময়া নকশিল্লকপসিদা ফৎত্রবা জিরি লম্বীসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি মশেল অমনা অমবু মরাল থংজিন্নরদুনা কন্না হুন্নরি। কন্না হুন্নরিবসি কোংগ্রেস পার্টি অমদি বি জে পি অনীসিনি। মণিপুরদা চহী ১৫ শুনিংচিৎ লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্ট অসিনসু হায় অদুগা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংনসু হায় সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গর্ভর্ণমেন্টকী নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রাম অমা লাউথোকপদা জিরি লম্বী শেমগনি হায়খ্রগা চহী অনী হেল্লবসি ফাওবা শেমদ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি চিন্দনি ফবা, খূৎতি য়াওদে হায়দুনা মরাল শীরি। ঙসি ফাওবদি জিরি লম্বী ফত্তদুনা গাড়ী লৈখোমদা, ঈশিংদা পুখবগী পাউ মীয়াম্না উরি অমদি তারি। দ্রাইভরশিংনা লম্বী অসিদা গাড়ী থৌবা লেপখ্রে মরু ওইনা টাটা দ্রাইভরশিংনা। বি জে পিসু হুনবা লেপ্পে। হন্দক্তা ইম্ফালদা লাক্লম্বা বি জে পিগী লুচিংবা অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকরনা জিরি লম্বী শেমদবসি মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা মতেং পাঙবা ৱাৎপদগীনি। করম্বা হীরমদা মতেং পীদ্রবগে হায়বদুমদি ময়েক শেংনা পল্লমদ্রে। হীরম অসিদা হুন্নবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লিবসিগী মরু ওইবা মরমদি অতৈ করিদগীসু নত্তে সেন্টর অমদি মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা পার্টি অনীনা গর্ভর্ণমেন্ট পায়দুনা লৈঙাল্লকপদগীনি। দেমোক্রেসিগী মখাদা গর্ভর্ণমেন্ট পায়নরবসু কোংগ্রেস অমদি বি জে পি হায়রিবা পার্টি অনীসি মিৎয়েং অমদি পান্দম য়াম্না খেন্নে। অদুগা হৌজিকসি ইন্দিয়াদা মীয়াম্না বি জে পি (পার্টি ওইনা) অমদি বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টকী মরমদা য়াম্না ঙাঙনরি, নৈনরি। বি জে পি অমদি মসিগী গর্ভর্ণমেন্ট অসি ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমনি। অমরোমদা অমুক ইন্দিয়াদা কোংগ্রেস পার্টি অমদি মসিগী গর্ভর্ণমেন্টকী মরমদা থোয়না ঙাঙনদ্রে, নৈনদ্রে। মসিসু ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমনি। অদুগা সেন্টরদা কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্ট লৈত্রে। মণিপুরদসু কোংগ্রেস পার্টিনা গর্ভর্ণমেন্ট লেপ্তুনা চহী ১৫ পায়শিল্লকপদগী লমদমসিগী মীয়ামগী পূক্নিংদা অনৌবা ফিজোল হোংনিংলকপগী ঈচেল মচা অমসু চেন্থরকপদৌনসু তৌরি। মরম ময়াম অসিনা পার্টি অনী অসিনা হুন্নরকপগী চাং অসি য়াম্না ৱাংখৎলকপনি অমনবু হায়রবদি অমসু হায়হৌদবা য়াদে হায়বা মতাগুম।

জিরি লম্বী শেন্থগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক্লা করিগুম্বা ৱাফম খরা নীংশিংবা ফৈ খল্লি। নেসনল হায়ৱে শেন্থা সেন্টরগী খূৎতা লৈ করিনা হায়ববু ফন্দ মখোয়না থাদোকপনি। ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টকী মথৌ হায়ববু লম্বী শেন্থদা চঙবা লম পীবা অমদি থবক শুবদা অকায়বা অয়েৎপা পীদনবা সেক্যুরিটি পীবা (মথৌ তারবদি) হায়বসিনি। নেসনল হায়ৱে শেন্থা য়েংশিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হায়ৱে এন্দ রোদ ত্রান্সপোর্ট হায়বা অমা লৈরি দিল্লিদা। অসুম্না মিনিষ্ট্রি অসিনা লম্বী শেন্থগী শেল অমদি লম লৌশিনবগী শেনফম লম মপুদা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টকী খূখাংদা পীনবগী থবক তৌবনি। ৱাফম অয়াম্বা মীয়াম্না হেন্না খঙনৈ। জিরি লম্বী ফীভম চাদনা সেন্টরনা চহী কয়া থন্বীরে হায়বসিসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরে। হৌজিক্তি য়েংবা য়ারে মীয়াম্না হায়বদি কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনীনা জিরি লম্বী ফত্তবগী মতাংদা অমনা অমবু হুন্নরিবদু করিনো হায়বদু। ফরে য়েংলসি, জিরি লম্বী ফত্তনা লৈরক্লিবসি চহী কুন শুরে হায়না লৌরসি। অদু ওইরবদি হৌখিবা চহী কুন অসিদা সেন্টরদা করম্বা পার্টিনা হায়বদি কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পিনা মতম শাংনা গর্ভর্ণমেন্ট পায়দুনা লৈঙাকখিবগে হায়বদু য়েংবা য়ারে। হৌখিবা কুমজা ২০০৪ দগীনা ২০১৪ (চহী তরা) অসিদা কোংগ্রেসনা লৈঙাকখি মনমোহন সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা। মসিগী মমাঙ চহী মঙা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাকখি অটল বেহারি বাজপাইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা। মসিগী মমাঙ চহী মঙাদনা কোংগ্রেসনা লৈঙাকখি সেন্টরদা নরসিমহা রাওনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরদুনা। অদুনদি হৌখিবা চহী কুন হঙ্গৎনা য়েংলুবদা চহী ১৫ দি কোংগ্রেসনা লৈঙাকখ্রে। অদুগা চহী মঙা অমনা বি জে পিনা লৈঙাকখ্রে। মসি হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা বি জে পিনা গর্ভর্ণমেন্ট পায়রকপা চহী অনী মখায় অসি থাদননি। নরসিমহ রাওগী মমাঙদা আই কে গুজরাল, চন্দ্রসেখর অমদি দেবে গৌরানা চহী ফাদনা মতেক-মতেক প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রে। মখোয়শিংদুগী মমাঙদা রাজিব গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা কোংগ্রেসকী গর্ভর্ণমেন্ট অমসু লৈখ্রে। পুন্নমকসি পূনশিল্লগদি চহী কুন্থ্রা হৌখ্রে হায়বা য়াই। দেবে গৌরানসু মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা জিরি লম্বী নিংথিনা শেম্নবগী থাজবা পীবা লৈখ্রে। অদুবু জিরি লম্বীগী ৱা য়াম্না কন্না ঙাঙনরক্লিবসিদি হৌখিবা চহী তরা অসিদনি। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়া য়াম্না চাওখৎলকপদগীসু কা হেন্না মীয়াম্না খঙবা ঙম্নরকপনি জিরি লম্বী ফত্তবগী ফীভম অসি।

সেন্টরদা মতম শাংনা কোংগ্রেসনা গর্ভর্ণমেন্ট পায়দুনা লৈরম্বনা জিরি লম্বী অসি মখোয়না ফজনা অফবা হায়ৱে অমগী থাক্তা শেন্থা ঙম্বগী মতম অদুদি ফংখি। ইশম-শম্না হায়রবদা মনমোহন সিংহনা চহী তরা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতম অদুদা লম্বী অসি ফজনা শেন্থা ঙম্বগী মতম অদুদি ফংখি। শেমদে হায়বদি নত্তে শেন্মী অদুবু হায়ৱে অমগী থাক্তা লৈগদবা থাক অদু য়ৌনদি শেন্থা মীয়াম্না থেংনদে। মহাক্কী মতমদগী লম্বী অসি ফৎত্রে হায়দুনা লাউদুনা লাকপদুনা ঙসি নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতুং চহী অনী হেল্লবফাওবসি মীয়াম্না লাউদুনা লৈরি। শম্না হায়রবদা কোংগ্রেসকী মনমোহন সিংহদগী হৌরক্লগা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদি ফাওবা চৎথরকপনি। মনমোহন সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদুদা মণিপুরদসু কোংগ্রেসকী গর্ভর্ণমেন্ট অমা ওক্রম ইবোবী সিংহবুনা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লৈঙাকখি। শম্না হেক হায়রবদা সেন্টরদসু মণিপুরদসু কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্ট ঙাক্তনি। মখোয় পার্টি অমখক্তনি। মপু-মনাইনি অমদি মত মান্নবা ইমুং মনুংনি। অদুবু মতমদুদসু জিরি লম্বীদা গাড়ীগী চাকা পুখবগী পাউনা নাকোং শিংজা য়ৈখি। মতমদুদা মণিপুরগী কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্টনদি সেন্টরগী কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্টতা লম্বী অসি ফজনা শেম্বীনবা কয়ারক হন্না তকশিনখিবদু মণিপুর মীয়াম্না কাউবা লৈতে। অদুবু ইমুং মনুং অমনা হায়জবদা অমনা তাবিখিদ্রে হায়বা তারে লম্বী অসিদা ওইখিবা ফীভম অদুনদি। মখোয়নসু ফজনা শেমগনি হায়বগী থাজবদি চহী তরা পীদুনা লাকখি। অমরোমদনা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতুং নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা থবক কয়া লাউথোকপদা জিরি লম্বী শেন্নগী ৱা য়াওখি। ঙসি চহী হেনখ্রে অদুবু জিরি লম্বীগী মতেক খরদি খোঙবালগুম্না ঈশিং লৈরি। অদুনদি চহী তরা সেন্টরদা লৈঙাকখিবা কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্টসু থাজবদা পীরগা তোকখ্রে। ঙসিমক গর্ভর্ণমেন্টতা লৈরিবা বি জে পিসু থাজবা পীরগা লম্বী য়াদবা শেমজিনবদি লৈত্রি। অদু ওইরবদি ঙসি পার্টি অনী অসিনা অমনা অমদা মরাল পংসিদা শীজিন্নরিবসি চুনব্রা? চুনদে শোয়দনা হায়গনি মীয়াম্না করিনা হায়ববু ঙসিদি প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াগী ঈ-পাউ খম থেংনা চাওখৎলবনিনা লোয়না উরে, লোয়না তারে মনুং হঞ্জিনবা চীংদা ফাওবা, খুঙ্গংদফাওবা। অদুনা কান্নদে হুন্নদবনা ফৈ নৎত্রবদি মখোয়গী মতিক মগুণ ময়েং তাবা ওইনা থোক্কনি।

হুন্নবা অসিদা বি জে পিনা হায়বদা মপা চানবা অমদি লৈ মদুদি 'কোংগ্রেসনা চহী তরা লেপ্তুনা সেন্টরদা লৈঙাক্লিঙৈদা জিরি লম্বী হায়ৱেগী থাক্তা শেল্লমদ্রগা করিগী ঙসি বি জে পিদা লোয়না তায়শিনবা য়াব্রা? মোদিদি চিনগা খূৎকা মান্নদে হায়বসি মতাং অসিদা চুনব্রা? বি জে পিদি গর্ভর্ণমেন্টতা লৈরকপা চহী অনীগা থা মঙাখক্তা ঙাইরি। তেল্লবা মতমসিদা থবক লোয়না তৌবা ঙমগদ্রা? কোংগ্রেসনা থাজবা পীবদি চহী ১০/১৫ নি, বি জে পিনা পীবদি নুমিৎ ১০০ খক্তনি। শোয়বদি পার্টি অনীমক শোয়রে অদুবু মতম শাংনা শোয়বদি বি জে পি নত্তে, কোংগ্রেসনি।'' পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্লা মীয়ামগীদমক্তা খল্লবদি হুন্দুনা লৈবনা কান্নদে। মদুগী মহুৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ হায়ৱেদা চৎতুনা করি মরম লৈবদগী বি আর ওনা লম্বী অসি শেন্থগী থিন্থুরিবনো হায়বদু থিদোকপনা অফবা ওইগনি। মরমদু খঙলবদি থবক্তু ওইননবা লম্বী থিবা য়ারে। মীখল ময়াদা মণিপুরদা হুন্নবনদি কান্নগদবা লৈতে। মরম অসিগী মতাংদদি পার্টি অমত্তনা হায়রকপা লৈত্রি। বি আর ওনা মনিং তৌবা য়াব্রা? মিনিষ্ট্রি অমদি বি আর ওগী মরক্তা পাউ ফাওনদবা লৈরব্রা মরমদি বি আর ও অসি মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মখাদা লৈবা হায়ৱে শেন্থগী ৱার্ক এজেন্সি ওইনা লৈবনি। বি আর ওনবু শেমগে হায়রবদি ফৎত্রিবা জিরিগী লম্বী মতেক অসিদি থা ফাগদবা থবক নত্তে। মখোয়দি অচৌবা ৱার্ক ফোর্স অমনি। অদুনদি জিরি লম্বীগী মতাং অসিদদি নুংগী ওইবা ৱাফম অমা লৈরবরা হায়না নিংলক্লে। মসিগী মরম অসি থিদোকপা চুমগনি। কনানসু বি আর ওদগী করি মরম লৈবগে হংবদু খঙদোকপা ঙমদ্রি। অদুগা মিনিষ্ট্রিলোমদগীসু খঙনবা হোৎনদে। মরু ওইরিবদি অনী অসিনি।

# দুর্গা/পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিশিং পরম চুম্না পাঙথোকহন্নীংই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

**ওক্টোবর** থা য়ৌশিল্লক্লে, মণিপুরগী লৈকায়-লৈকায় খুদিংদা দুর্গা/পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিবগী থৌরমশিং মশীং থীঙমদনা পাঙথোক্লরক্লনি। মানা-মানা পামজবশিং ঈরাৎনবনি কায়দেসু হায়রসি। লমদমসিদা দুর্গা/পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোক্লরকপা ঙসি ঙরাংদগী ৱা নত্তে। তৌইগুম্বসুং লুরিবদি দুর্গা-পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিগী মিংদা মতমসিগী নহারোলশিংদা নত্ত-নত্তবা লমচৎশিং চৎপা হৈনহল্লকপা অমদি ময়ায় কাবা চিঞ্জাকশিং চাবা-থকপা তমহৌনবগী তাঞ্জা পীবা ওইনা থোকপসিদি চুম্লোই। লাইরেন্বী ঈরাৎ-থৌনিদা হাউসি মশান্না লীংখৎতুনা, থৌনি-থৌরমগী চঙগদবা শেনফমশিং কুপখৎপগী মিংদা, নোং ঙানফুং-ঙানফুং তৌবা ফাওবা হেক অহিং মিংশেল খাঙদুনা লাউ-খোংদুনা লৈহনবসি লাল্লমগনি খল্লি। মৈতৈ লৈপাকসি নোংম-নোংমগী অফবা থৌদৌশিংগী মমি অমত্তা তাশিল্লকত্রে। অউবা কনাগী মিত্তদি লমদমসি নোংমা-নোংমগী শেল্লৌ-শেন্থা (জ্বার) শিংগী অমদি ময়ায় কাবা চিঞ্জাকশিংগী মকোল ওইনা উনরক্লে। পুন্নমকসি হন্দক চহীদগীদি মীয়াম হৌদুনা অমুক্তং পুন্না থিংমিন্নহৌনবা হোৎনমিন্নসি। তুংগীদমক খল্লগা লাইনীং-লাইশোনশিংগী মরীদা পরম চুম্না চথবা হৌহনহৌবসু চুমগনি নীংই।



লাইনীং লন্বীগী শরুক মচেৎ অমা ওইনা, লৈকায়-লৈকায়দা দুর্গা ওইরো পান্থোইবী ওইরো ঈরাৎ-থৌনিগী থৌদৌশিং পাঙথোক্লরিবনি হায়বসি, হৌজিক্কী মতমগী ঈরাৎ-থৌনিরিবা নহাশিংসিনা কাউখ্রে। ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোক্লিবা নহাশিংগী মরক্তা মকোক্তা ৱাখল্লোনসিগী মমি তাবা নহা অমত্তসু য়াওখিদ্রে। লাইরেন্বী থৌনি-থৌরম পাঙথোকপগী মিংদা মখোয়না পাম্বা নুংঙাইগদবা লন্বীশিংদুতমক খল্লগা, মখোয়গী অনিংবা-অপাম্বশিং খক্তমক পাঙথোক্লবা উরি। তৌনীংবদা তৌবা, হোংনীংবদা হোংবা, মওং-মরীল নাইদবা লৈপাকসিগী নহারোলশিংগী থৌদৌসিনা মমৈথংদা লমদমসিগী ওইনা লৈজরম্বা কলচরগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম খুদিংমক, মতিক-ময়ায় চমহল্লকপা অমদি মরায় চায়থহল্লকপা ফাওবা য়ারি। ফিজেৎ-চাকচা, লমচৎ-থৌগল্লোন্নচিংবা মীওইবগী মরু ওইবা মচৎ কয়ামুক্তা মফম-মতম নাইদনা হোংনীংবা হোংবা অমদি তৌনীংবা তৌবগী চৎনবীসি মতম লৈরিঙৈদা য়েংশিনহৌবনা চুমগনি। থৌদৌশিংসি য়েংশিন্নবগীদমক লমদমসিদা মতিক চাবা ওথোরাইজ বোদিশিং লীংখৎপা মথৌ তাই। অসুম্না, হেন্দোক-ফাদোকখ্রবা মতমসিগী নহারোলশিংগী লীচৎ-শাজৎশিংনা ইরমদমগী খুন্নাইসিবু মশক-মচু লৌফম খঙহন্দনা হন্থবা থাক্তা চিংথরক্কদ্রা হায়বগী নুংনাংবশিং ফাওদবা ঙম্লক্ত্রি। লাইনীং-লম্বী হায়বসি তশেংনা হায়রবদা মীওইবগী অনীশুবা পুন্সি লম্বেলনি। মীওইবনা পুন্সি চুপ্পা চৎনরিবা লম্বীশিং, মানা-মানা চৎলিবা লাইনীং-লম্বীশিংদুগা থোয়দোক-হেন্দোক্লা নকশিন্ননা চৎলি হায়বসি অচুম্বনি। ফীভমশিংসি য়েংলগা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু লাইনীং লম্বীদা মরিং-মরাং ওইনা উহনগদবা থৌদৌশিং খক তৌরোইদবনি। ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংদসু মতম চুপ্পদা তৌহন্দনবা হোৎনগদবনি। পূন্নমক্লা পান্নরিবসি হেন্না ফগৎলকপদুবুনি, শেরান্নমা লমখাঙদা মতিক-ময়ায় চমহনখিবদু নত্তে। অমরোমদা, ঙাইহাক্কী নুংঙাইনবা ৱাখল-ইহুলশিংগীদমক লাইনীং-লম্বীঅমদি মীওইবগী চৎন-লোনচৎশিংবু খোঙ্গাওনবা মানবা থবক-থৌরমশিং কৈদৌঙৈদসু খক ঐখোয়না পাঙথোক্লোইদবনি। মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা ৱাথোক থোক্লরিবসু শুপ্নতগী লাইনীং-লম্বেল হায়বসি খক্তদগীনি।

মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংবু মহৈদা মথ্বায় হেন্না য়াওশিনহন্নবা অমদি মহৈ-মশীল মপূং ফানা হৈহন্নবা লম্বেলশিং পুথোক্তুনা, হেন্না য়াঙনা খোঙ থাংজিনহন্নবা হোৎনমিন্নবা ফৈ। লাইরেন্বী ঈরাৎ-থৌনিগী মিংদা অঙাংশিংবু ম্যুজিকেল দান্স মখল-মখলশিং শাহন্দুনা অমদি অহিং চুপ্পা হাউসি শান্নবা তন্বীদুনা হৈনবী শেমগৎপীবগী মথৌ তাদবরা খল্লি। থৌদৌশিংসি খুন্নাইসিগী তুংগী যুন্বীরেল ওইরক্কদবশিংগীদমক থোইদোক্লা হকচিন্না মথৌ তারক্কদবা মতিংশিং ওইরক্কনি থাজদে। হায়নবা লৈরিবনি, অঙাংশিংদি অপেৎপা লৈখোমগী মওংগুম্বনি, শেম্নিংবা মওংদা শেন্থা য়াই। অদুগীসু মথক্তা, অঙাংশিংগী পুন্সিদি মতৌ তমশিনহৌবতনা মথৌদাংশিং ওইরিবনি। অঙাংশিংগী হাংলবা ব্রেনশিংদা হীরম খুদিংমক্কী মচুশিংনা অসুক্কী মতিক য়াঙনা শংশিনগল্লি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙই। থৌদৌসিদা ঐখোয়না অঙাংশিংগী মফমদা শেল্লৌ-শেন্থা (জ্বার) শান্নবা তন্বীবা অমদি ঈথক-ঈরাংগা নকশিন্নগদবা লন্বীশিংদা মাঙজিল থানা লমজিংবীবা লানগনি। তৌববুদি, কলচর হায়বা হীরমসিগী চাউরবা ফম্ফম অমবুদি খুন্নাইসিদা য়াম্না মতিং লৈনা ঙান্দুনা লৈরি। তৌবতবু মফম মতম হায়বা অমখক লৈহন্নীংবগী ৱানি। মীতৈ মচাশিং অয়াম্বনা হাউসি মশান্নদা থৱায় হেন্না য়াওনবগুম উই। থৌদৌসিমক অফবা থৌদৌ অমদি নত্তবনিনা য়ারিবমখৈ দুর্গা অমদি পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিগা মরী লৈননা লমদমসিগী নহা ওইরিবশিংবু হাউসি মশান্নগা নকশিন্ননা চৎহন্দনবা হোৎনমিন্নসি। লাইরেন্বী ঈরাৎ-থৌনিখক্কী ৱা খক নত্তনা, লমদমসিদা কনাগুম্বা মীওই কয়ানসু কাঙলুপ শেমগৎতুনা, মফম-মতম খায়দনা হাউসি মশান্নবু চহী চুপ্পা য়োকখৎনবা হোৎনরি অমদি লন্নাই শেন্দাল লম্বেল অমা ওইনা খ্বাইদগী অরায়বা পাম্বে অমগুম চথনরক্লি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লীংলিবা পুলিস দিপার্টমেন্টগী মিৎয়েংশিং করিনো হায়বসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা উবা ফংদ্রি।

দুর্গা ঈরাৎ-থৌনি অমদি পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনি অনীমক লাইনীং লম্বেলশিংগা ঈরোয়ননা পাঙথোকমিন্নবা, মণিপুরদা মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনরক্লবা ঈরাৎ-থৌনি ঙাক্তনি। থৌরম অসি অপান্নবা মীওইশিং খরতনা পাঙথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু খক লৈতে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, পাঙথোক্লিংবা কাঙবুশিংতনা পাঙথোক্লবনি। মরম অসিনা দুর্গা নৎত্রগা পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনি থৌরম পাঙথোকপীগে খনবীরিবা লমদমসিগী ইচিন-ইনাওশিংনা ঈরাৎ-থৌনি থৌরমশিং পাঙথোকপীদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লমদমসিগী নহা ওইরিবশিংবু লান্না লমজীংবীবা ওইনা থোক্লোইদবা মওংশিং খরদি হান্না খলহন্নীংই। লমদমসিদা পাঙথোক্লরিবা থবক-থৌওং খুদিংমক মানা-মানা পাঙথোক্লিংবা মওংদা পাঙথোক্লবা অমদি লৈথেৎ হাপচিন্নবা ঙাক্তনি। তৌনীংবা তৌবদা থিংনদ্রিবা লৈপাকনি। থৌদৌসিনা মমৈথংদা ফুরুপসিগী অশেংবা শক্তম মাঙশিলহল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অশেংবা শক্তম মাঙখ্রবা ফুরুপ অমগী অৱা চৈথেং হায়বদু নোংমদি শোয়দনা লমদমসিগীসু শরুক থুংলকপা য়াই। লাক্লিবা হন্দক চহীগী দুর্গা নৎত্রগা পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিবগী থৌরমশিংদদি পরম অমুক্তং চুমহনহৌনবা পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। কুমসি চহীদা খরদা ওইরসু চুমথোকপা ঙমহৌরবদি মথং চহীদদি হাইফেৎ মপূং ফানা পরম চুমথোক্লরকপসু ময়াই। পরম চুম্না চৎখিবনা হীরম খুদিংমক্তা ফুরুপসিগী তুংগী য়াইফবশিং ওইরক্কনি। লাইনীং লন্বীদদি চৎনীংবদা চৎনরবসু ফুরুপসিগী ওইবা শক্তম অমদি শোয়দনমক্কী লেংদনা কলহৌবা ঙমগনি। নাট অমদি শক্তম মাঙখিদনবা হোৎনবনা ঙসি-ঙসিমক হিংলিবা ইরমদমসিগী ইরৈচা ঐখোয় পূন্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা ইথৌদাংশিং ওইফম থোক্তবরা?

দুর্গা ঈরাৎ-থৌনি অমদি পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনিখক্কী ৱাফমখক নত্তনা, লমদমসিদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোন, থৌরম-থৌদা খুদিংমক্তা নৌনা হোংদোকপা হানবা তান্নবগী ৱাখল্লোনসিমদি ইরমদমগী ইরৈচা ঐখোয় পূন্নমক্কী ইনাক্তগী মতম চুপ্পগী লইনা থাপ্না থমখ্রসি। শারিনা কদাই ফাওবা লমদমসিগী ইচে-ইচনশিংগী অশেংবা ফিজোল ওইনা মীমাঙ থোক্লা শেৎপা য়াগদৌরিবগে? ৱেষ্ট বেঙ্গল য়ৌবদা বঙ্গালিশিংনা মুনা-মুনা য়েংলকপদা লমদমসিগী ইচন-ইচেশিং ইকায় ফিরুক খুন্নরোইদ্রা? হৌজিক হৌজিকমক ইরোলগী ময়েক ওইনা পুদুনা শীজিন্নরুবা বঙ্গলা ময়েকসি ফাওবদা বঙ্গালিশিংগী মমাঙদা পুখোক্তুনা ইবা-পাবা তৌরুবদা ইকায়বা ফাওনরিবনি। হায়সু হায়বনি, ঐখোয় য়ারিবমখৈদি অনৌবা লৈথেৎ হাপচিন্দুনা হীরম খুদিংমক্তা হান্নগী মচাকশিংবু মমি শামহনবগী থৌদৌশিংসি লেপ্পসি। লমদমসিদা মরী-মখোঙ শম্নদনা অনৌবা শক্তম শাগৎপগী ৱাখল্লোনশিংসি অমুক্তং মপূং ফানা মুখৎমিন্নরসি।